# ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপীগী টিম ক্বার্টরদা লৈহৌরে



দোহা, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী): সরথ কমালনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপাগী টেবল টেন্নিস টিম দোহাদা পাঙথোকপা এসিয়ন টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপতা অহানবা ওইনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী টিমদি ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অদুনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইরানবু মেটচ ৩-১দা থোইবা ঙমখিবনি। টিম অসিনা ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন অমদি এসিয়ন টেবল টেন্নিসনা পূন্না পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি এসিয়াগী মকোক থোংবা টিম ৮না শরুক য়ারিবনি। মমাংগী এদিসনদা ফজবা ঙমখিবদগী চেম্পিয়নশিপ দিভিজন অসিদা ইন্দিয়া ক্বালিফাই ওইরকপনি।

সরথ কমালনা ইরানগী নিমা অলামিয়ানবু ১১-৯, ৬-১১, ১১-৯, ১১-৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৩৮ গনসেখরন সাথিয়ানননা ইরানগী ৱর্ল্ড নম্বর ৭৪ নোসাদ অলামিয়ানবু ১১-৭, ১১-৬, ৬-১১, ১১-৬তা থোইখি।

মেটচ অনী মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হর্মিদ দেসাইনা ইরানগী অমির হোসেনগা লম্বা তৌনবদা ৮-১১, ৭-১১, ১১-৮, ১৪-১২, ৭-১১দা অকনবা লম্বাদা মায়থীখি। অদুবু রিভর্স সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সরথ কমালনা নোসাদপু ১১-৮, ১১-৮, ৮-১১, ১১-৯দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী মেদল অমদি ফংলগনি।

ইন্দিয়ানা এসিয়াগী থাক্তগী পাঙথোকপা টেবল টেন্নিস কম্পিটিসনদা কুমজা ১৯৭৬ নোর্থ কোরিয়াগী কোনুং পিয়োংয়াংদা পাঙথোকখিবা এদিসনদা মঞ্জিট দুৱা অমদি ভিলাস মেনননা দবলসকী মেদল ফংদুনা এসিয়ন টিটি য়ুনিয়নগী ওইনা অহানবা মেদল ওইখি। অদুবু মদুগী মমাংদা টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ এসিয়া হায়না খঙনরিঙৈ মতমদা সিঙ্গাপোরদা ১৯৫২দা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গুল নাসিকৱালানা সিঙ্গলস, দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল অহুম ফংবা ঙমখি।

ঙসি দোহাদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরক্কুনা সেমীফাইনেল য়ৌবগী মঙখিবা মঙলান অদু জপানগা মায়োক্নবদা মেটচ ১-৩দা মায়থীদুনা খূদোংচাবা মাঙজখি। ইন্দিয়াগী স্রিজা অকুলা জপানগী হিটোমি সাটোগী মখূৎতা ৫-১১, ৩-১১দা মায়থীখি। অনীশুবা মেটচতা অর্চনা কমাথনা য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরবা মতুং জপানগী সাকিসিবাটাগী মখূৎতা ১২-১০, ৭-১১, ৪-১১, ১২-১০, ৯-১১দা মায়থীখি। অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিয়ন সুটির্থা মুখর্জীনা মিয়ু নাগাসাকিবু ১১-৭, ১১-৮, ৫-১১, ৭-১১, ১১-৮দা থোইবা ঙমখি। অদুবু রিভর্স সিঙ্গলসতা স্রিজা মায়থীবদগী ১-৩দা লৈহৌখিবনি।

# মমাংগী চেম্পিয়ন চেলসি মায়থীখ্রে, কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ কনখ্রে, বর্সেলোনা বেনফিকাগী মখূৎতা মায়থীহৌরে





টুরিন, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী): য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুঈএফএ চেম্পিয়ন্স লীগকী হৌখিবা এদিসনগী চেম্পিয়ন ইংলেন্দগী চেলসি ইটালিগী ক্লব য়ুভেন্টসকী মখূৎতা মায়থীখ্রে। কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা ভিল্লারিয়ালগা দ্রো চৎলমগদবদগী থোইবা ঙমহনখ্রে। অমরোমদা, স্পেনগী মমিং লৈরবা ক্লব বর্সেলোনা পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকাগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

ইটালিগী য়ুভেন্টসনা য়ূম্নু ওইরগা মমাংগী চেম্পিয়ন ইংলেন্দগী চেলসিগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদু অহানবা হাফ লোইশিনখিবা ফাওবদি টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু য়ূম্নু ক্লব অদুনা অনীশুবা হাফ হেক হৌগৎলকপগা বর্নার্দেসিগী মায়কৈদগী য়াম্না টাইমিং চানা পীরকপা বোল অমা এফ চিয়েসানা পাঞ্জল ১ চল্লগা চেলসিবু মাঙজিল থাখি। চেলসি মেটচকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা কন্না হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদনা মায়থীখি।

গ্রুপ এফতা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং স্পেনগী ভিল্লারিয়ালগা তৌনখিবা লম্বা অদুসু য়াম্না মান্নবা মওংদা অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈখিদে। অনীশুবা হাফকী মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা ভিল্লারিয়ালগী দঞ্জুমানা পীরকপা বোল অমদা পি অলকাসরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাঙজিল থাখি। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অথুবা মতমদা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকখি। দি ফর্নান্দেজনা পীরকপা বোলদা এ টেলেজনা ৬০শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু ফংদুনা লম্বা অমুক হন্না মান্নরকখি। শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইরবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী জে লিনগার্দনা পীরকপা বোলদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা রাউন্দ ২ লোইশিল্লকপদা টিম অদু পোইন্ট ৩ ফংলি।

হায়রিবা গ্রুপ অদুগী অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা অহানবা রাউন্দদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীরম্বা স্বিটজরলেন্দগী ক্লব য়ং বোইজপু ইটালিগী ক্লব অটলান্টানা ১-০দা থোইদুনা অটলান্টানা গ্রুপ এফকী পোইন্ট টেবল মাঙজিল থারি।

গ্রুপ ঈদা লিওনেল মেসি তোকখ্রবা স্পেনগী মমিং লৈরবা ক্লব বর্সেলোনানা অনীরকশুবা ওইনা মায়থীবা নংলি। মখোয়না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা রাউন্দদা পোর্টুগালগী বেনফিকাগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদু য়াম্না শোথবা মওংদা পাঞ্জল ০-৩দা মায়থীখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা বেনফিকাগী ৱেজলনা পীরকপা বোলদা দি নুনেজনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ২৪ চঙশিল্লকপদা মারিওনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা সিলভানা চন্দুনা বেনফিকা ২-০দা মাঙজিল থাখি। ৭৯ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নুনেজনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা ক্লব অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা বর্সেলোনাবু মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী ওইনা পোইন্ট টেবলদা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিককী মথংদা পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি।

হায়রিবা গ্রুপ ঈগী অতোপ্পা মেটচ অমদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়ুক্রেনগী ক্লব দাইনামো কিয়েব পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি। টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা ১২শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্লবা মতুং ২৭শুবা মিনটতসু পাঞ্জল অমগসু চনখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি ৬৮শুবা মিনটতা এস নাব্রি, ৭৪শুবা মিনটতা লিরোই সেন অমসুং ৮৭শুবা মিনটতা চৌপো মোটিংনি। বেয়র্ন ম্যুনিকনা গ্রুপ ঈগী ওইনা মেটচ অনীদা অনীমক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

গ্রুপ জিগী ওইনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেদ বুল সালবর্গনা ফ্রান্সকী মমাংগী লীগৱানগী চেম্পিয়ন ওইরিবা লিলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা মকোক্তা লৈবা ঙম্লি। গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা জর্মনিগী ৱোল্ফসবর্গ অমদি স্পেনগী সেভিয়াগী লম্বা তৌনবা মেটচ অদু পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা পিঙ্ক বোল টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী স্মৃতি মনধানানা রন ৮০ লৌবা ঙম্লি



ক্বিন্সলেন্দ, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমনা পিঙ্ক বোল টেষ্ট মেটচকী অহৌবা নুমীৎতা ইন্দিয়ানা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা দে এন্দ নাইট টেষ্ট মেটচ অদুদা ওপনর স্মৃতি মনধানানা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইনা রন ৮০ লৌরগা শান্নরি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখিবনি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী স্মৃতি মনধানা অমদি সফালি বর্মানা ইন্নিংস হৌদোরকখি। নুমীৎ অদুগী শান্নবা অদু নোংনা মরম ওইদুনা মপূং ফাবা ওভর মশীং শান্নবা ঙমখিদে। মনধানাগী মায়কৈদগী পূন্না বোল ১৪৪ মায়োক্নরকপদা সিক্স ১গা লোয়নননা ফোর ১৫ য়ৈখি। মহাক্কী পার্টনর ওইখিবা অতোপ্পা ওপনর সফালি বর্মানা বোল ৬৪দা রন ৩১ লৌরগা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদুদা রন ৯৩ হাপচিনখি। সফালিগী ইন্নিংস অদু মখা তাবা ঙমদনা ফোর ৪ য়ৈরল্লগা রন ৩১দা লোইশিনখি।

সফালিগী মহুৎ পুনম রাৱটনা মহুৎ শিল্লকখি। পুনম রাৱট অমদি ওপনর স্মৃতি মনধানানা মখা তানা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদু শান্নরকপদা রন ৩৯ হাপচিল্লগা পূন্না রন ১৩২ য়ৌরকপদা নোংনা মরম ওইদুনা মখা তানা শান্নবা য়াদবদগী অহানবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখি।

স্মৃতি মনধানাগী ওইনা টেষ্ট মেটচ করিয়রদা খ্বাইদগী য়াম্না রন ৭৮ লৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি অহানবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবা অদুদা মহাক রন ৮০ লৌরগা আউট ওইদনা লৈরি। অমরোমদা, পুনম রাৱটনা বোল ৫৭ মায়োক্নবদা রন ১৬ লৌরগা ক্রিজদা স্মৃতি মনধানাগা পূন্না লৈরি।

পিঙ্ক বোল শীজিন্নদুনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা দে এন্দ নাইট শান্নবা টেষ্ট মেটচ অমখক লম্বা তৌনবনি। মনধানাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা ইন্নিংস অমা ঙসি উৎপা ঙমখি। মহাক্না বোল ১৪৪ মায়োক্নরকপা অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর টালিয়া মেগ্রাথকী বোল অমদা সিক্স ১ য়ৈবা ঙমখি। অদুগা ওফসাইদলোমদা মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলরশিং অদুবু এটেক তৌদুনা ফোর ১৫ য়ৈখি।

# থৌবালদা ফ্রীদম রন পাঙথোকখ্রে



থৌবাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ানা নীংতম্বা চহী ৭১ শুরকপগা ইরোয়নননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিং নহা ওইরিবা পূম্নমক মশা-মউ ফনা লৈসি হায়বা পান্দমগা লোয়নননা মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম থৌবাল কোলেজ, থৌবালনসু শীন্দুনা অজাদি কা অমৃত মহোটসব-ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ থৌবাল অথোকপম কৌবীলা লম্পাক্তগী থৌবাল কোলেজ ফাওবা লমজেল চেন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

এংলো মণিপুর ৱারগী সাইট অমসু ওইরিবা থৌবাল অথোকপম কৌবীলা মখোঙদা নীংতম লান্মী অথৌবশিংগী মফমদা মৈরা অমদি লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎলবা মতুং মহৈরোয়শিংনা চেনখিবা রন অদুগা মরী লৈননা থৌবাল কোলেজগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. এম দামুদোরনা ফোঙদোকখিবদা, মীপূম খূদিংমক লায়না তিন্নাদগী চেকশিন্না লৈসি, হকচাং ফনা লৈসি, পূক্নিং ৱাখলগী চরাংনবা লৈগুমসি হায়বা ইন্দিয়ানা চহী ৭১ নীংতম্লকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা ফ্রীদম রন অসিগী পাউজেল অসি মীয়ামদা খন্নবা পান্দমদা ঙসিগী ফ্রীদম রন অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

# কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসকী বোক্সিং বাউটশিং ফিক্স তৌখি হায়না ফোঙদোরক্লি



লন্দন, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা পাঙথোকখিবা বাউট কয়া মরী লৈনবা রেফরি অমদি জজশিংনা ফিক্স তৌখি হায়না ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ)না খনখিবা ইনভেষ্টিগেটর রিচার্ড মেক্লারেননা পীরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী ওফিসলশিং অদুনা ওলিম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়িং বাউটশিং অমদি রিও ওলিম্পিক গেমস অদুদা খনগৎলবা রেফরি অমদি জজশিংদা বাউটশিং অদু পোইন্ট পীবদা শেমদোক-শেমজিন তৌগদবা ফিক্স তৌখি হায়রি।

মেক্লারেনগী রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা এ আই বি এগী মরুওইবা ওফিসলশিং অদুনা খনগৎলিবা রেফরি অমসুং জজশিংগী মায়কৈদগী ওফিসলশিং অদুনা হায়বা ইন্দ্রবদি মখোয়বু খল্লক্লোইদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবা মরম্না মখোয়না হায়রকপা খূদিংমক তৌখিবগী মমি তাই। লোয়নননা অখন্নবা এ আই বি এগী মরুওইবা পর্সনেলশিং অদুনা হান্না লৈরিবা এসোসিএসন অসিগী কাঙলোনশিং অদুগী ৱাংমদা থবক তৌখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা বাউট অকক্নবা মশীং অদু খঙদ্রবসু য়ামদ্রবদা ইনভেষ্টিগেটর রিচার্ড মেক্লারেননা বাউট ১১ হেনবদি ফিক্স তৌখিবনি হায়খি। হায়রিবা বাউটশিং অদুগী মরক্তা মেদল বাউটসু য়াওখি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

মেক্লারেননা মখা তারদুনা রিপোর্ট অদুদা ফোঙদোকখিবদা, ওফিসলশিং অদুনা খনগৎলবা রেফরিশিং অমদি জজশিং অদুদা ওলিম্পিক্সকী বাউট লৈবা অয়ূক্তা কনানা মায় পাকহনগদগে হায়বগী ৱাফমশিং মাঙজৌননা ফোঙদোকখি হায়রি। মসিগী মতাংদা ওলিম্পিক গেমস অদুদা বোক্সর অমা ওইখিবা রসিয়াগী নিকিটিননা মায় পাকখিবা অদুবু আয়রলেন্দগী বোক্সর কোনলাননা বাউট অদু মায়থীহৌবা অদুদা করপসন য়াওই হায়না এসোসিএসন অমসুং রসিয়াবু মরাল শীখিবনি।

# আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী ১২ ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখ্রে

লিমা, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী): পেরুগী কোনুং লিমাদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র শুটর ১২ ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

জুনিয়র মেন্সকী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী রুদ্রান্স পটিল, ধনুশ স্রিকান্ত অমসুং পার্থ মাখিজানা মথংশিংনা পোইন্ট ৬৩০.২, ৬২৯.৬ অমসুং ৬২৯.২ ফংলগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী মেহুলি ঘোশ, রমিতা অমসুং নিশা কনৱর মথংশিংনা পোইন্ট ৬৩০.৯, ৬২৯.৮ অমসুং ৬২৯.১ ফংলগা মখোয় অহুমসু ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখিবনি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শুটর নবিননা পোইন্ট ৫৮৪ ফংলগা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অদুদা মকোক ওইদুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি। মহাক্না চপ মান্নবা স্কোরদা ইন্দিয়াগী সরবজেট সিংহসু ক্বালিফাই ওইখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর বিজয়বির সিধুনা পোইন্ট ৫৮১ ফংলগা অহুমশুবা শুটর ওইখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা সাংৱাননা পোইন্ট ৫৭৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখিবনি। লোয়নননা চপ মান্নবা ইভেন্ট অদুদা ওলিম্পিয়ন মানু ভাকরনা পোইন্ট ৫৭৪ অদুগা ইসা সিংহনা পোইন্ট ৫৭২ ফংলগা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী এয়র রাইফল অমসুং এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড মেদল পোজিসনদা লৈদুনা মেদল ফংগদৌরি।

# রুপিন্দর পাল অমসুং বিরেন্দ্র লক্রা ইন্টরনেসনল হোক্কীদগী পোত্থারগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হোক্কীদা জর্মনিবু মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা দ্রেগ ফ্লিক্কর (পেনাল্টি কোর্নর স্পেসিএলিষ্ট) রুপিন্দর পাল সিংহ অমসুং বিরেন্দ্র লক্রা ইন্টরনেসনল হোক্কীদগী পোত্থারগনি হায়না মশানা ফোঙদোকচখ্রে।

চহী ৩০ শুরবা লৈবাক অসিগী ওইনা দ্রেগ-ফ্লিক্করশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা অমনি হায়না লৌনরিবা রুপিন্দর পালনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা পূন্না ইন্টরনেসনল মেটচ ২২৩ শান্নবা ঙমখি। জর্মনিগা শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচ অদুদা রুপিন্দরনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা চনবা ঙমখি। মহাক্কী চহী অসি য়েংলুরগা ইন্টরনেসনল হোক্কীদগী পোত্থাবগী ৱারেপ লৌরকপা অসিদা মীয়াম্না অঙকপা ফাওনখি। মরমদি মহাক্কী ফিটনেসকী লেভেল অসি য়েংলুরগদি। চহী ২/৩ শান্নবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতগী পোত্থাবগী ৱারেপ লৌরকপা অসি ইনখৎলক্লিবা অফবা শান্নরোয়শিংবু খূদোংচাবা পীননবনি হায়খি। হৌখিবা থাখরা অসি মহাক্কী পূন্সিগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নবগী মতম অদু ওইখি। ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংবগী পোদিয়মদা মহাক্কী টিমমেটশিংগা লোয়নননা লেপমিন্নবা ফংখিবা অদু করিয়রদা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইহৌরগনি হায়খি।

অতোপ্পা পাউ অমদা বিরেন্দ্র লক্রাসু রুপিন্দর পালগুম্না দিফেন্দর অমা ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবদা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়াখিবনি। লক্রাগী রিটায়র্দ তৌবগী ৱারোল অদু হোক্কী ইন্দিয়াগী ওফিসল ওইবা ৱারোলদা ফোঙদোরকপনি। মহাক য়াম্না অফবা দিফেন্দর অমা ওইরমখি।

# চেন্নাই সুপর কিংসনা সনরাইজর্স হায়দরবাদ ৱিকেট ৬তা থোইখ্রে

সর্জা, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি য়ু এ ঈগী সিটি সর্জাদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চেন্নাই সুপর কিংসনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু ৱিকেট ৬তা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১৩৪ লৌখি। ওপনর রিধিমান শাহনা বোল ৪৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১ য়ৈরগা রন ৪৪ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফীভম শোকখি। ওপনর রোই রন ২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা ৱিলিয়মসনসু শুপ্নগী রন ১১ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি।

মরিশুবা বেটসমেন প্রিয়মগর্গ বোল ১০ মায়োক্নবদা রন ৭ খক লৌরম্লগা আউট ওইখিবনি। অপূনবা স্কোর ৭৪ শুরকপদা রিধিমান শাহসু আউট ওইখি। মখা তারকপদা অভিসেক সর্মা অমসুং অব্দুল সমাদনা রন ১৮/১৮ লৌরম্লগা রসিদ খাননা রন ১৭ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী বোলর হেজল ৱুদনা ৱিকেট ৩ লোয়নননা দ্বেনব্রাভোনা ৱিকেট ২ লৌদুনা ফজবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা চেন্নাই সুপর কিংসনা রন ১৩৫ লৌনবা হোৎনরকপদা শুপ্নগী বেটসমেন ৩ আউট ওইরগা টার্গেট অদু অপূনবা ওভর ২০গী মরিশুবা বোলদা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৩৯ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৬তা থোইখি। চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী ওপনর রুটুরাজ গেক্বাদনা বোল ৩৮দা রন ৪৫ লৌখিবা অমসুং অতোপ্পা ওপনর ফাম দু প্লেসিসনা বোল ৩৬তা রন ৪৫ লৌখিবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদুনা মায় পাকহনখিবনি।

# এম জয়চন্দ্রনা ইন্সট্রক্টর ওইরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা এম জয়চন্দ্রবু ওক্টোবর ২৭তগী ৩০ ফাওবা অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা পাশিঘাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা অরুনাচল প্রদেশ ফুটবোল এসোসিএসনগী রেফরিশিংগী ওইবা কোর্স অমসুং অপগ্রেদেসন এগজামিনেসন কন্দক্ট তৌননবা ইন্সট্রক্টর ওইনা খল্লক্লে হায়না ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সোবর লাইফনা মতেং পাংখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ঙসি সোবর লাইফ সবষ্টেন্স ট্রিটমেন্ট সেন্টর লক্সমী বজারদা লৈবনা কোস্মো লম্পাক্তা রিয়াল ফুটবোল একাদেমিনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু ট্রেনিং পীদুনা অমদি ফ্রেন্দলি মেটচ কয়া শীন্দুনা অফবা মায়কৈদা পুরক্নবগী পান্দম অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা মতেং পাংখ্রে।

সোবর লাইফকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর প্রিয়োকুমার থৌনা অমসুং ষ্টাফশিংগা লোয়নননা একাদেমি অদুগী ট্রেনিং মফমদা চৎতুনা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নবা অদু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অঙম্বা মতেং পাংদুনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপ্পা লৈহন্নবা হোৎনরসি হায়না অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখি।

EMPLOYMENT NEWS
ꯑꯦꯜ.ꯖꯤ. ꯃꯣꯇꯔꯁ
IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1, Security - 2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Driver - 2
KAKCHING BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্না লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।
Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994
HL-B/7056/28/8-3/10 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 245**

**NN - Blackburne, Joseph Henry**
**GBR tour sim Great Britain, 1871**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bc4 Bc5 4.O-O Nf6 5.d3 d6
6.h3 Ne7 7.Bg5 c6 8.Be3 Bb6 9.Nc3 Ng6 10.Qd2 Be6
11.Bb3 O-O 12.Rad1 Qd7 13.Nh2 Bxh3 14.Bxb6 Bxg2 15.Kxg2 Nf4+
16.Kh1 axb6 17.f3 N6h5 18.Rf2 Ng3+ 19.Kg1 Qh3 20.d4...

**QUESTION :**

**Black to Win**

**Puzzle 244 Ans. :**

31. ...Bb5 32.Ne7+ The white knight attacks Black's king, which is defending Black's rook.Kh8 33.Rxh6+ Opening the line from g6 to g7.gxh6 34.g7+ The white pawn forks Black's rook and king.Kh7 35.gxf8=N +The white knight captures Black's rook, which was defending square g8.Kh8 36.Rg8# Arabian mate
36. Kc1 Rc2+ 37.Kd1 Be2+ 38.Ke1
36. Rg1
32. Ne7+ Kh8 33.Rxh6+ gxh6 34.g7+Kh7 35.gxf8=N+ Kh8 36.Rg8#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com